## মালিগী প্রসিদেন্ট অসিমিগী ফীভম ফনা লৈরি

বমাকো, জুলাই ২১ (এজেন্সী) :

ইস্লাম লাইনিং চৎপশিংগী খ্বাইদগী চাওবা কুম্মৈ অমা ওইরিবা ইদ থৌরমগা মরী লৈননা মালিগী কোনুং বমাকোদা লৈবা গ্রান্দমোস্কতা লাই খুরুম্বগী থবক পাঙথোকপদা শরুক য়াখিবা মালিগী ইন্তরিম প্রসিদেন্ট অসিমি গোইটাদা ঙরাং থাঙনা এটেক চথুরকখিবা অদুগী মতুং মহাক্কী হকচাংগী ফীভম ফনা লৈরি হায়না প্রসিদেন্ট ওফিসনা ফোঙদোরক্লি।

প্রসিদেন্ট ওফিসনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না অসিমিদা এটেক চথুরখিবা মীওই অনী অদু সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ওভর পৱার তৌদুনা ফাবা ঙমখ্রে। মখোয় হৌজিক ৱাহং পাউহংগী থবক চথুরি। করি মরমগীদমক খূৎলাই পায়বা মীওই অনী অদুনা প্রসিদেন্টদা এটেক চথুখিবনো হায়বদু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অতেনবা মতমগী মনুংদা পুলিসনা ফাদুনা থল্লিবা মীওই অনী অসিদগী অশেংবা মরম খঙদোক্লবা হোৎনগনি। অমদি থৌদোক অসিগী মাষ্টর মাইন ওইরিবা মীওই অদুগী মতাংদসু খঙদোক্লবা হোৎনরগনি হায়রি।

অমরোমদা মালিগী ইন্তরিম প্রসিদেন্ট অসিমি গোইটানা ফোঙদোকখিবদা লুচিংবা অমা ওইরবদি খুদোংথিবা কয়া মায়োক্লবা হায়বসি মহৌশানি। মঙোন্দা এটেক চথুরকখিবা অদুদা মহাক কা হেন্না নুংনাংবা পোক্তে। মীয়ামগী লুচিংবা অমা ওইবা তারবদি অসিগুম্বা মখলগী খুদোংথিবশিং চিংনবা লৈতনা মায়োক য়াবা তাবনি। মালিগী রিলিজিয়স এফেয়স মিনিষ্টর মামাদৌ কোননা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অমগী প্রসিদেন্টনা ইদ কুম্মৈগা মরী লৈননা লাই খুরুম্বগী থৌরম পাঙথোক্লিঙৈদা এটেক চথুখিবা অদু য়াম্নমক লাইবকথিবনি। অসিগুম্বা থৌওং অসি লৈবাক অসিগী মীয়াম্না কৈদৌনুংদা ঙাকপীবা ঙম্লোইদবা থৌওং অমনি। থৌদোক অসিদা চেন্নরিবশিং মরালগী চপ চাবা চৈরাক পীগনি হায়রি।

## সেন্ট্রেল চাইনাদা ঈশিং ঈচাওনা মরম ওইরগা মীওই ২৫ শিহনখ্রে, কয়ানা মাঙহন তাকহনখ্রে



বৈজিং, জুলাই ২১ (এজেন্সী) :

সেন্ট্রেল চাইনাদা ঙসি অকনবা নোংনা মরম ওইরগা ঈশিং ঈচাও অমদি চীং নিংখায়বগী থৌদোকশিং থোকহনখিবগা লোয়ননা মীওই ২৫ শিহনখ্রে অদুগা পোৎলম কয়া অমনা মাঙহন তাকহনখ্রে হায়না ষ্টেট মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোরক্লি।

রিপোর্টশিং অসিগী মতুংইন্না, ঈশিং ঈচাও অসিনা মরুওইনা হেনান প্রোভিন্সকী শরুকশিংদা কা হেন্না অমাঙ অতা থোকহনখি। ঈচাও অসিনা মরম ওইরগা ঝেঙজৌদগীসু মীওই ২,০০,০০০ হেন্না শাফগদবা মফমশিংদা খুদক্কী ওইনা পুথোকখ্রে। হৌখিবা নুমিৎ হুম্নিরোম অসিদা চাইনাদা নোং লেপ্তুনা চুবনা মরম ওইরগা অকনবা ঈচাও অসি থোরকখিবনি। হৌজিকফাওবগী ওইনা ঈচাও অসিনা মরম ওইরগা মীওই ২৫ শিহনখ্রে হায়না কনফার্ম তৌখ্রবসু মখা তানা অশিবা মশিং হেনগৎলকপা য়াবগী অকিবা লৈরি।

চাইনাদা চহী ৬০ রোমগী মতুংদা হন্দক চুখিবা নোং অসিনা খ্বাইদগী হেন্না কনবা ওইরি। ঈচাওনা কা হেন্না মাঙহন তাকহনখ্রবা মফমশিংদা রেস্ক্যু ৱার্করশিং চঙশিন্দুনা মী কনবগী থবক অকনবা মওংদা চথুরি। চাইনাগী তোঙান তোঙানবা সব-ৱেশিংদগী রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীওই লিশিং ১ রোম হেন্না কনবা ঙমখ্রে হায়না লোকেল ওফিসিয়লশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ঈচাও অসিনা কা হেন্না চৈথেং পীখ্রবা ঝেঙজৌদগী হৌজিকসু মী কনবগী থবক অকনবা মওংদা চথুরি। ঈচাও অসিনা ঝেঙজৌদা হৌজি কফাওবগী ওইনা মীওই ১৬০ হেন্না অশোক অপন নঙহনখ্রে।

অমরোমদা ঝেঙজৌদগী খরা লাপথোক্লা লৈরিবা মীওইশিংনা মফম অদুদা অহেনবা রেস্ক্যু ৱার্করশিং থাজিন্দুনা মী থিবগী থবক হেন্না কনখৎহন্নবা মরী লৈনবশিংদা তকশিনখিবগা লোয়ননা হৌজিক্কী ওইনা পাউ ফাওনবা ঙমদবা মীওই কয়া ঝেঙজৌদা লৈরি হায়না ফোঙদোক্লরক্লি। হেনান প্রোভিন্সকী মফম অয়াম্বা ঈচাও অসিনা কা হেন্না চৈথেং পীখিবগা লোয়ননা য়ুম অমদি পোৎচৈ কয়াসু অমাঙ অতা থোকহনখ্রে। লম্বী নাকলদা খামদুনা থম্বা গাড়ি কয়া ঈচাও অদুনা চেন্থখিবগা লোয়ননা মফম খরদদি ইলেক্ট্রিক্কী খুদোংচাবা লৈহনখিদ্রে।

চাইনাদা ঈশিং ঈচাওনা মরম ওইরগা মীওই ২৫ শিহনখিবা অমদি কয়ানা অশোক অপন নঙহনখিবগী থৌদোক অদুবু লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্টনা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা অৱাবা তারবশিংদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী খুদক্কী ওইনা পীবা য়াবা তেংবাঙ পীননবা শেম শাবা লোইরে হায়রি।

## এসিয়া পেসিফিকতা য়ু কেনা ৱারসিপ অনী দিপ্লোয় তৌরগনি

লন্দন, জুলাই ২১ (এজেন্সী) :

চাইনানা পায়খৎলক্লিবা তোঙান তোঙানবা থবক থৌরম কয়া নোংচুপ লৈবাকশিংনা পামদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা য়ু এস অমসুং জপাননা চাইনাগী মায়োক্তা ৱাফম কয়া পুখৎলকখ্রবা মতুং য়ুনাইটেদ কিংদমনা এসিয়ন ৱাটরদা পর্মিনেন্ট ওইনা ৱারসিপ অনী দিপ্লোয় তৌরগনি হায়না বৃটেননা লাউথোকখ্রে।

মমাং চহীগী সপ্তেম্বর থাদা ক্যুইন ইলিজাবেথ এয়রক্রাফট কেরিয়র অমসুং স্কোর্ট সিপশিংনা জপানদা থুংলুরবা মতুং অৱাংবা থাক্কী ফিরেপ অসি হন্দক খঙহৌদনা লৌরকখিবনি। য়ু কেনা জপানগা হান্না লৈনরিবা মরী অদুদগী অমুক্কা হেন্না চেৎশিন্নবা এসিয়াগী ঈশিংগী শরুকশিংদা ৱারসিপ দিপ্লোয় তৌনবা ফিরেপ লৌরকখিবনি।

য়ু কেনা পর্মিনেন্ট ওইনা ৱারসিপ অনী চহী অসিদগী দিপ্লোয় তৌনবা লৌরকখিবা ফিরেপ অদু জপাননা থাগৎপা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা চাইনানা মতম কয়াগী মমাংদগী ইন্দো পেসিফিক রিজনদা লোনা য়াদবা থবক থৌরম কয়া চথুদুনা লাক্লিবা অসি থিংবদা অচৌবা মতেং ওইরগনি হায়না জপানগী দিফেন্স মিনিষ্টর নোবুও কিসিনা ফোঙদোরক্লি।



মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ঈশিংগী শরুকশিংদা ইন্তরনেস্নল লোগী মতুং ইন্না লৈবাক লৈবাকশিংনা থবক তৌনবা হোৎনগদবনি। করিগুম্বা ইন্তরনেস্নল লো থুগাইদুনা মশাগী ওইবা ইন্তরেষ্টতা থবক তৌনবা হোৎনরক্লবদি মদুগী চপ চাবা পাউখুম অতোপ্পা লৈবাকশিংনা পীবা মথৌ তাই। চাইনানা অহেনবা থবক থৌওং কয়া চথুরিঙৈ মরক অসিদা য়ু কেনা লৌরক্লিবা ফিরেপ অসি থাগৎনিংঙাই ওই হায়রি।

অমরোমদা পেন্তাগোনগী ৱাঙাঙলোয় অমনা য়ু কেগী ফিরেপ অদুবু থাগৎপা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা ইন্দো পেসিফিক রিজনদা লোগী মতুং ইন্না থবক তৌনবা খুদিংমক্না হোৎনমিন্নসি হায়রি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি দিপ্লোয় তৌগদৌরবা বৃটিশ ৱারসিপশিং অসিগী প্রমিনেন্ট ওইবা বেজ অমা লৈত্রি হায়না জপানদা লৈবা বৃটিশ এম্বেসিগী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা বেজ অমা শেমগৎনবা হোৎনরগনি হায়রি।

সাউথ চাইনা সিগী শরুক পুম্বা চাইনানা মখোয়গীনি হায়দুনা মতম কয়াগী মমাংদগী ক্লেম তৌদুনা লাক্লি। মসিদা নত্তনা টাইৱানগী মতাংদসু চাইনানা কা হেন্না খূৎ থিংজিল্লিবা অদুবু মালেমগী লৈবাকশিংনা মখা তানা তৌদনবা খঙহনবসু লৈখ্রবনি।

## টেঞ্জানিয়া ওপোজিসন পার্টি চদেমাগী লুচিংবা ফ্রীমেন মবোৱে অমদি অতোপ্পা মেম্বর ১০ মরম অমত্তা পীদনা ফাজিনখ্রে

দোদোমা, জুলাই ২১ (এজেন্সী) :

টেঞ্জনিয়াগী মরু ওইবা অমদি খ্বাইদগী চাওবা ওপোজিসন পার্টি চদেমাগী লুচিংবা ফ্রীমেন মবোৱে য়াওনা পার্টি অসিগী অতোপ্পা মেম্বর ১০ ঙরাং নুমিদাং পুলিসনা ফাজিনখ্রে হায়না পার্টি অসিগী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোরক্লি।

ৱাঙাঙলোয় অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অদুগী কন্সটিট্যুসন অমুক হন্না শেমদোক্লবা দিমান্দ তৌরদুনা ওপোজিসন পার্টিগী মেম্বরশিং কনফরেন্স পাঙথোক্লবা প্লান তৌদুনা লৈরিঙৈ মরক্তা লুচিংবা ফ্রীমেন ফাজিনখিবা অসি য়াম্নমক লাইবকথিবনি। মৱানজাগী অৱাং নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈবা পোর্ট সিটিদা পুলিসনা ফ্রীমেন অমদি অতোপ্পা মেম্বরশিং ফাজিনখিবনি।



টেঞ্জানিয়াগী হান্নগী প্রসিদেন্ট জোন মাগুফুলিনা কা হেনবা পৱার শীজিন্নদুনা মহাক্কী মায়োক্তা লাকপা মীওই খুদিংমক কিহন খঙহনবা অমদি ফাজিন পুনশিনবগী থৌওং কয়া চথুরম্বা অদুগুম্না হৌজিক হৌজিক প্রসিদেন্ট ওইরিবী সমিয়া সুলুহু হাসননা চথুরি। মসি মীওইবগী হিংবগী হক খোঙ্গাওনবনি। প্রসিদেন্ট সমিয়ানা লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসনবু ভেল্যু লৈহন্দ্রে মহাক্না তৌনিংবদা তৌদুনা লৈরে। পুলিসনা ফাজিনখ্রবা মেম্বর ১০ মৱানজা পুলিস ষ্টেসনদা লৈরে হায়বগী অকক্লবা পাউ অমা ফংলে। অদুমওইনমক চদেমা পার্টিগী লুচিংবা ফ্রীমেনগী মতাংদদি হৌজিক ফাওবা খঙদনা লৈরি।

চদেমাগী ৱাঙাঙলোয় অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা পার্টি অসিগী চেয়রমেন ফাজিনখিবগী মরম পুলিসনা মীয়ামদা খঙহনগদবনি। অমদি হৌজিক হৌজিক মহাক কদাইদা থল্লিবগে হায়বসু ময়েক শেংনা খঙহনগদবনি হায়না ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা চহী অসিগী মার্চ থাদগী লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট ওইরকখিবী নুপী লুচিংবী অসিনা চথুরক্লিবা থবক থৌওং অসি য়াম্নমক লাইবকথিবনি হয়রি।

## নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা মীওই ১০ শোকখ্রে

রোম, জুলাই ২১ (এজেন্সী) :

ইটালিগী খা থংবা শরুক্তা লৈবা দিস্কো ক্লব অমদা মশক খঙদবা মীওই অমনা মফম খঙদনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা মীওই ১০ অশোক অপন নংখ্রে হায়না ইটালিয়ন ন্যুজ মীদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওই পুলিসনা ফারে হায়রি।

ঙসি নোংঙাল্লমদাই পুং ২ রোম তারকপা মতমদা দিস্কো ক্লব অদুদা শকখঙদবা মীওই অদুনা চঙশিল্লক্লগা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদু চথুখিবনি। করি মরমগীদমক মহাক্না ক্লব অদুদা চঙশিল্লক্লগা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক চথুখিবনো হায়বগী মতাংদা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। মীওই অদুনা নোংমৈ কাপ্পা মতমদা ক্লব অদুদা কোলেজ মহৈরোয় ৩০০ লোম লৈখি।

থৌদোক অদুদা শোক্লবা মীওই ১০ গী ফীভম কা হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওইদ্রে। মখোয় ময়ুমগী মীওইশিংদা খূৎশিন্নখ্রগনি হায়রি। অমরোমদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওই অদুগী মতাংদা অকুপ্পা মরোলশিং মীয়ামদা খঙহল্লকপা তৌদ্রবসু মহাক মেন্টেল প্রোব্লেম লৈবা মীওই ওইরম্বা য়াই হায়না পুলিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

## মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং

| # | Country, Other | Total Cases | New Cases | Total Deaths | New Deaths | Total Recovered | Active Cases |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | World | 192,229,197 | +510,998 | 4,133,339 | +8,282 | 174,924,706 | 13,171,152 |
| 1 | USA | 35,081,719 | +44,232 | 625,363 | +256 | 29,435,171 | 5,021,185 |
| 2 | India | 31,215,142 | +42,123 | 418,511 | +489 | 30,383,001 | 413,630 |
| 3 | Brazil | 19,419,741 | +27,896 | 544,302 | +1,425 | 18,124,621 | 750,818 |
| 4 | Russia | 6,006,536 | +23,770 | 149,922 | +784 | 5,382,213 | 474,401 |
| 5 | France | 5,890,062 | +18,181 | 111,525 | +33 | 5,663,809 | 114,728 |
| 6 | Turkey | 5,546,166 | +8,780 | 50,650 | +46 | 5,395,300 | 100,216 |
| 7 | UK | 5,519,602 | +46,558 | 128,823 | +96 | 4,411,839 | 978,940 |
| 8 | Argentina | 4,784,219 | +15,077 | 102,381 | +426 | 4,420,995 | 260,843 |
| 9 | Colombia | 4,668,750 | +12,829 | 117,131 | +378 | 4,422,866 | 128,753 |
| 10 | Italy | 4,293,083 | +3,558 | 127,884 | +10 | 4,115,889 | 49,310 |
| 11 | Spain | 4,189,136 | +27,286 | 81,148 | +29 | 3,676,323 | 431,665 |
| 12 | Germany | 3,754,828 | +1,626 | 91,938 | +30 | 3,641,000 | 21,890 |
| 13 | Iran | 3,576,148 | +27,444 | 87,624 | +250 | 3,168,834 | 319,690 |
| 14 | Indonesia | 2,950,058 | +38,325 | 76,200 | +1,280 | 2,323,666 | 550,192 |
| 15 | Poland | 2,881,594 | +104 | 75,219 | +4 | 2,653,034 | 153,341 |
| 16 | Mexico | 2,664,444 | +5,307 | 236,469 | +138 | 2,095,953 | 332,022 |
| 17 | South Africa | 2,311,232 | +8,928 | 67,676 | +596 | 2,085,119 | 158,437 |
| 18 | Ukraine | 2,245,275 | +598 | 52,756 | +25 | 2,181,925 | 10,594 |
| 19 | Peru | 2,096,013 | +1,568 | 195,332 | +89 | N/A | N/A |
| 20 | Netherlands | 1,814,143 | +6,699 | 17,783 | +5 | 1,661,205 | 135,155 |
| 21 | Czechia | 1,671,372 | +216 | 30,341 | | 1,638,061 | 2,970 |
| 22 | Chile | 1,601,858 | +975 | 34,569 | +30 | 1,555,294 | 11,995 |
| 23 | Philippines | 1,517,889 | +4,502 | 26,842 | +56 | 1,444,215 | 46,832 |
| 24 | Iraq | 1,510,517 | +8,922 | 17,951 | +59 | 1,372,158 | 120,408 |
| 25 | Canada | 1,424,220 | +342 | 26,508 | +4 | 1,393,117 | 4,595 |
| 26 | Bangladesh | 1,128,889 | +11,579 | 18,325 | +200 | 951,340 | 159,224 |
| 27 | Belgium | 1,107,208 | +1,330 | 25,213 | +2 | 1,051,372 | 30,623 |
| 28 | Sweden | 1,095,279 | | 14,614 | | 1,072,800 | 7,865 |
| 29 | Romania | 1,081,773 | +95 | 34,258 | +3 | 1,046,881 | 634 |
| 30 | Pakistan | 993,872 | +2,145 | 22,848 | +37 | 921,095 | 49,929 |
| 31 | Malaysia | 939,899 | +12,366 | 7,241 | +93 | 798,955 | 133,703 |
| 32 | Portugal | 935,246 | +2,706 | 17,219 | +4 | 867,540 | 50,487 |
| 33 | Israel | 854,434 | +1,491 | 6,452 | +2 | 839,103 | 8,879 |
| 34 | Japan | 843,856 | +2,171 | 15,060 | +12 | 801,337 | 27,459 |
| 35 | Hungary | 808,889 | +25 | 30,019 | +2 | 743,449 | 35,421 |
| 36 | Jordan | 762,420 | +392 | 9,916 | +6 | 744,365 | 8,139 |
| 37 | Serbia | 719,006 | +189 | 7,088 | +4 | 709,559 | 2,359 |
| 38 | Switzerland | 710,243 | +707 | 10,903 | | 690,729 | 8,611 |
| 39 | Nepal | 670,953 | +2,202 | 9,607 | +25 | 634,927 | 26,419 |
| 40 | UAE | 664,027 | +1,541 | 1,904 | +4 | 641,750 | 20,373 |
| 41 | Austria | 654,314 | +316 | 10,729 | | 639,831 | 3,754 |
| 42 | Morocco | 562,416 | +3,631 | 9,486 | +20 | 534,814 | 18,116 |
| 43 | Tunisia | 554,911 | +6,158 | 17,821 | +177 | 443,979 | 93,111 |
| 44 | Lebanon | 551,789 | +632 | 7,887 | +1 | 535,485 | 8,417 |
| 45 | Saudi Arabia | 512,142 | +1,273 | 8,103 | +14 | 493,240 | 10,799 |
| 46 | Kazakhstan | 499,111 | +4,889 | 5,062 | +65 | 433,994 | 60,055 |
| 47 | Ecuador | 477,946 | +1,634 | 30,744 | | 443,880 | 3,322 |
| 48 | Greece | 463,473 | +3,565 | 12,843 | +9 | 420,187 | 30,443 |
| 49 | Bolivia | 463,125 | +971 | 17,475 | +17 | 392,548 | 53,102 |
| 50 | Paraguay | 446,267 | +702 | 14,394 | +54 | 406,280 | 25,593 |

## হোং কোং পুলিসনা এপল দেলীগী হান্নগী এডিটর ইন চীফ ফাজিনখ্রে



হোং কোং, জুলাই ২১ (এজেন্সী) :

প্রো দিমোক্রেসি এপল দেলী পাউ চেগী হান্নগী এগজিক্যুটি এডিটর ইন চীফ হোং কোং পুলিসনা ঙসি ফাজিনখ্রে হায়না লোকেল মীদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা পাউ চে অসিগী মরু ওইবা ষ্টাফ কয়া পুলিসনা ফাজিন্দুনা থমখ্রে হায়রি।

হৌজিক ফাওবদা হোং কোং পুলিসনা ফাজিন্দুনা থমখ্রবা জর্নেলিষ্ট অদুগী মতাংদা পুলিসকী মায়কৈদগী ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি। অদুমওইনমক ঙসি ফাজিনখ্রবা হান্নগী এডিটর ইন চীফ অসিনা অতোপ্পা লৈবাক্কী এজেন্সিশিংগা পুল্লগা হোং কোংগী নেসনল সিক্যুরিটিদা অকায়বা পীরকপা য়াবা থবক কয়া চৈথে হায়বগী মরালদা মহাকপু ফাজিনখিবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

হোং কোং পুলিসনা লৈবাক অদুগী জর্নেলিষ্ট কয়া চপ চাবা মরম পীদনা ফাজিল্লিবা অদুবু মায়কৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ফ্রীদম ওফ এক্সপ্রেসপু হোং কোং পুলিসনা মাঙহন্নবা হোৎনরি। মীদিয়া টাইকুন জি মিলাইগা নক্না পুল্লম্বা খুদিংমক হোং কোং পুলিসনা মরম পীদনা ফাবগী থবক চথুরক্লিবা অসি য়াম্না লাইবকথিবনি। হীরম অসিগী মতাংদা ইন্তরনেস্নল কম্যুনিটিগী মীৎয়েং চঙবগী মতম ওইরে হায়না জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়নননা ফোঙদোরক্লি।

## অচৌবা এষ্টেরোইদ ১ পৃথিবী মনাক নক্না পাইখিগদৌরি

ন্যু য়োর্ক, জুলাই ২১ (এজেন্সী) :

লাক্লিবা জুলাই ২৪ দা ষ্টেদিয়ম অমগী চাং য়ৌনা চাওবা এষ্ট্রেরোইদ অমা অয়াঙবা খোঙজেল অমদা পৃথিবী মনাক নক্না পাইখিদৌরে হায়না নাসানা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা এষ্টেরোইদ অসিগী মমিং ২০০৮ গো ২০ হায়না মিংথোনখ্রে।

পৃথিবী নকশিন্না পাইগদৌরিবা এষ্টেরোইদ অসি ষ্টেদিয়ম অমগী সাইজ হায়বদি টাজমহলগী শরুক অহুমগুম্বা চাওগনি হায়না নাসানা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা পুংদা মাইল ১৮,০০০ গী চাংদা এষ্টেরোইদ অসিনা পৃথিবী ফাওদুনা পাইগনি। সেকেন্দদা কিলোমিটর ৮ য়াঙনা পাইগদৌরিবা এষ্টেরোইদ অসিনা পৃথিবীদা অকায় অতোই থোকহল্লকপা য়াবগী খুদোংথিবা অমত্তা লৈতে। এষ্টেরোইদ অসিনা পৃথিবীদগী কিলোমিটর ২৮,৭০,৮৪৭,৬০৭ লাপ্না পাইগনি। হায়রিবা অরাপ্পা অসি পৃথিবী অমসুং থাগা লৈনরিবা অদুদগী শরুক ৮ হেন্না লাপ্পা মফমদনি।

অদুমওইনমক এষ্টেরোইদ ২০০৮ গো ২০ না পাইগদৌরিবা ওর্বিট অসি এপোলোদনি হায়না নাসাগী সাইন্টিষ্টশিংনা ফোঙদোরক্লি। খোঙজেল য়াঙনা পাইরক্লিবা এষ্টেরোইদ অসিনা পৃথিবীদা অমাং অতা থোক্লোই হায়না সাইন্টিষ্টশিংনা ফোঙদোকখ্রবসু ওবজেক্ট অসিগী মতাংদা নাসানা য়াম্না চেকশিন্না মোনিটর তৌরি। পৃথিবীগী মনাক নক্না পাইখিবা এষ্টেরোইদ অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবা নত্তে। মমাং চহীগী সেপ্তেম্বর থাদসু ২০২০ ক্যু এল হায়না মিংথোনবা এষ্টেরোইদ অমসু পৃথিবী নক্না পাইখি। ইন্দিয়ন ষ্টেন্দর্দ টাইমদা জুলাই ২৪ গী অয়ুক পুং ১.০৫ তারকপা মতমদা এষ্টেরোইদ অসিনা পৃথিবী ময়া নক্না পাইগনি হায়রি।

## হেল্থ পাস পায়দবশিং মীয়াম তিনবা মফমদা চঙবা য়ারোই

পেরিস, জুলাই ২১ (এজেন্সী) :

ফ্রান্সতা লৈবা মীয়াম্না লোকদাউন লৌথোকখ্রবা মতুং মীয়াম তিনবা মফমশিংদা চত্নুনা হরাও কুম্মৈ থবক থৌরমশিংদা শরুক য়াবা পাল্লি। অদুমওইনমক মীয়াম তিনবা মফমদা চৎকে হায়রবদি কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখিবগী সার্টিফিকেট নৎত্রগনা কোভিদ নেগেটিভ ওই হায়বগী রিজল্টমরী লৈনবশিংদা উৎপা মথৌ তারি। করিগুম্বা হায়রিবশিং অসি উৎপা ঙমদ্রবদি মীয়াম তিনবা মফমশিং মরু ওইনা সিনেমা হোল অমসুং ম্যুজিয়মদা চঙবা য়াহল্লোয়দৌরি।

ওগষ্ট থাদগী হৌরগা ফ্রান্সতা হান্না থল্লবা অথিংবশিং কোমথোক্লবগী ফিরেপ লৌখ্রবসু হায়রিবা হেল্থ পাস অসি য়াওদ্রগদি মীয়াম তিনবা মফমদা চঙবা য়াদনবা ওথোরিটিশিংনা ফিরেপ লৌখিবনি। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ শন্দোকপগী চাং হন্থরক্লবসু মপুং ফানা কন্ট্রোল তৌবা ঙমদ্রিবনা মরম ওইরগা অথিংবা খরদি অদুমক লৈখিগনি। অমরোমদা হেল্থ মিনিষ্টির ওলিভর ভেরাননা ফোঙদোকখিবদা ফ্রান্সতসু কোভিদ-১৯ গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট দেলটানা চৈথেং পীরি।

দেলটা ভেরিয়েন্ট অসি হেন্না মপাঙ্গল কনবা অমদি কা হেন্না শন্দোক্নবনা মরম ওইরগা মীয়াম্না য়াম্না চেকশিনবা মথৌ তারি। মমাং চয়োলদা দেলটা ভেরিয়েন্টনা লৈবাক অসিগী মীওই কয়াদা চৈথেং পীবা লৈখ্রবনি। লৈবাক অসিদা হান্না থল্লম্বা অথিংবশিং ওগষ্ট থাদগী কোমথোক্লবা ফিরেপ লৌখ্রবা মতুং প্রসিদেন্ট ইমান্যুয়েল মেক্রোননা মকোক থোংবা মিনিষ্টরগা উন্নদুনা লৈবাক অদুদা লৈরিবা হেল্থ ক্রাইসিসগী মতাংদা খন্নখ্রে। লৈবাক অসিদা লৈরিবা আইফিল টৱার য়েংবা লাক্লিবা মীওইশিংসু টেষ্ট তৌরবা মতুং রিজল্টকী মতুং ইন্না চঙথোক চঙশিন তৌবদা অয়াবা পীখ্রে হায়রি।

## বৃটিশ কলম্বীয়াদা অকনবা মওংদা লাম্মৈ চাক্লকপদগী ষ্টেট ইমর্জেন্সি লাউথোকখ্রে



ভিক্তোরিয়া, জুলাই ২১ (এজেন্সী) :

বৃটিশ কলম্বীয়া (বি সী) গী কানাদিয়ন প্রোভিন্সতা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা চাক্লকখিবা অকনবা লাম্মৈশিংনা মরম ওইরগা মখা তানা অকনবা চৈথেং পীরবা য়াবগী অকিবা লৈবনা মরম ওইরগা ষ্টেট ইমর্জেন্সি লাউথোকখ্রে হায়রি।

প্রোভিন্সিয়েল ৱাইল্ড ফায়র ত্রেক্করশিংগী রিপোর্ট মতুং ইন্না বি সীগী তোঙান তোঙানবা মফম ২৯৯ দা হৌজিক হৌজিক লাম্মৈ চাকপগী থৌদোকশিং থোক্লি। হায়রিবা অসিগী মনুংদা ১৮ দি হৌখিবা নুমিৎ নীনি রোমদগী চাকপা হৌরকখিবনি। বি সীগী মিনিষ্টর পল্লিক সেফটি মাইক ফার্নৱার্থনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না প্রোভিন্স অসিদা হৌজিক চাক্লিবা লাম্মৈশিং অসি মুথৎনবগীদমক ফায়র ফাইটর ৩,১৮০ হেনবনা অকনবা মওংদা হোৎনরি। মসিদা নত্তনা লাম্মৈনা চৈথেং পীরবা য়াবা মফমশিংদা লৈরিবা মীওইশিং শাফগদবা মফমশিংদা পুথোকপগী থবকশিংসু লেপ্পা লৈতনা চথুরি।

প্রোভিন্স অসিদা হৌজিক ওইরিবা লাম্মৈগী ফীভম অসি য়াম্না লুশিল্লক্লি। মৈ অসি হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ফায়র ফাইটরশিংনা কন্ট্রোল তৌবা ঙমদ্রি। মরম অসিনা ইমর্জেন্সি মেনেজমেন্ট অমসুং ৱাইল্ড ফায়র ওফিসলশিংনা খন্নরবা মতুং প্রোভিন্সিয়েল ষ্টেট ইমর্জেন্সি লাউথোকখিবনি।

হৌজিক খ্বাইদগী হেন্না মরু ওইরিবা থবক্তি উমং মনাক নক্না খুন্দাদুনা লৈরিবা মীওইশিং শাফগদবা মফমশিংদা থুনা য়াঙনা পুথোকখিবা অসিনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা লাম্মৈ চাকপগী থৌদোকশিংনা মরম ওইরগা য়ুম ৫,০০০ হেন্না অমাং অতা থোকহনখ্রে। মৈ চাকপগী থৌদোক অসিনা মীশি মীনা থোকহল্লক্তনবা মরী লৈনবশিংনা অকনবা মওংদা হোৎনরি। কানাদাগী নোংচুপ থংবা শরুকশিংদা শাবগী চাং কা হেন্না হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা লাম্মৈ চাকপগী থৌদোকশিং থোকপা হৌরকখিবনি। কানাদাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কা হেন্না শাবনা মরম ওইরগা মীওই ১০০ হেন্না শিহনখ্রে। থা অসিগী অঙনবা শরুক্তসু কানাদিয়ন গভর্ণমেন্টনা লাম্মৈ চাকপা থৌওংশিং অসি থিংনবা চেকশিন থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎপা হৌখ্রবনি।

অমরোমদা কানাদা ৱাইল্ড ফায়রগী মেনেজিং দিরেক্তর ব্রাইন ৱেননা ফোঙদোকখিবদা মমাং থাদগী হৌরগা লৈবাক অসিদা শাবগী চাং খঙহেন হেনগৎলকখিবনি। এক্সপার্টশিংনদি ক্লাইমেট চেঞ্জনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিদা শাবগী চাং হেনগৎলকখিবনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে হয়রি।